বিষ্ণুপুরগী মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা ক্লীনলিনেস দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

সিটিজন সেন্ট্রিক গভর্ণান্সনা চহী ৪ শুরকপগী চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল, গ্রাম পঞ্চায়ত, স্কুল কোলেজ অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা ক্লীনলিনেস দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ন্যু মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী নীতা অরাম্বমনা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসশিংনা শরুক য়াদুনা 'ফোর ইয়র্স ওফ সিটিজন সেন্ট্রিক গভর্ণান্স' হায়বা থীমদা চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা থৌরম অদুদা ঙসি অহানবা ওইনা মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স অসি লূ-নান্না থন্বগা লোয়ননা বেন ওফ সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক্সকী থৌরম হৌদোকখি।

থৌরম অসি পাঙথোকপগী মরমদা নীতা অরাম্বম দি সী বিষ্ণুপুরনা হায়খিবদা, পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা চহী ৪ মপূং ফারক্নুনা মান্নবা খুন্নাই অমা চাওখৎপা মণিপুর অমা ওইনবা লূবা-নানবা, লায়না-তিলনা চেন্দবা সমাজ অমা ওইনবগী ৰাখল্লোন্দা দিষ্ট্রিক্ট অসিদসু ঙসিদগী হৌদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা দিপার্টমেন্ট কয়াগা লোয়ননা শীৎপা-শেংবা, উ চারা থাবা, এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি ও দি এফ দিষ্ট্রিক্ট ওইবা অসিগী থৌরম পাঙথোক্কনি লোয়ননা খনগৎলবা অঙাংশিংদা সোলর লেম্প কয়াসু য়েন্থোক্কনি হায়খি।

সিটিজন সেন্ট্রিক গভর্ণান্সনা চহী ৪ শুরকপগী চয়োল অমা চুপ্পা পাঙথোক্কদবা সেলেব্রেসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী ওইনসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী মফম খূদিংমক্তা লৈরিবা ম্যুনিসিপাল কাওন্সিল, গ্রাম পঞ্চায়ত, স্কুল, কোলেজ অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদা ক্লীনলিনেস দ্রাইভ পাঙথোকখ্রে।

দেপ্যুটি কম্মিস্নর বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা ন্যু মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্সতা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দি সী নীতা অরাম্বমনা লুচিংদুনা তোঙান তোঙানবা দিপার্টমেন্টকী দিষ্ট্রিক্ট লেভেল ওফিসরশিংনা শরুক য়াদুনা 'ফোর ইয়র্স ওফ সিটিজন সেন্ট্রিক গভর্ণান্স' হায়বা থীমদা চয়োল অমা চুপ্পা চথুগদবা থৌরম অদুদা ঙসি অহানবা ওইনা মিনি সেক্রেটরিএট কমপ্লেক্স অসি লূ-নান্না থন্বগা লোয়ননা বেন ওফ সিঙ্গল য়ুজ প্লাষ্টিক্সকী থৌরম হৌদোকখি।

ক্বার্টর শাজিনবগী ফিরেপ হোংদোকউ

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

ইন্দিষ্ট্রিজ দিপার্টমেন্টতা মতম চুপ্পগী লেংদবা হেন্দলূম, হেন্দিক্রাফ্ট অমদি খাদিগী পোত্থোকশিং মেলা তৌফম অমসুং য়োনফমগীদমক্তা শেমগৎনবা কুমজা ২০১২দা হাফিজ হাট্টা, ন্যু চেক্কোন্দা খাজিংদুনা থম্লিবা মফম অসিবু পি দব্লিয়ু দিগী ক্বার্টর শাগনি হায়বা লৈঙাক্কী ফিরেপ খূদক্তা লেপকদবনি হায়না হেন্দলূমস প্রমোসন কাওন্সিল মণিপুরগী প্রসিদেন্ট চিংতম লুৱাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিদা, ক্রাফটসকী শিল্পী মশীং লাক্ষ ৭লোম লৈরিবা অসি হিংবদা নত্তনা লৈঙাক্কীসু অচৌবা ইনকম লাকফম অমা ওইগদৌরিবনি। অথুবদা মতম পূম্বগী ওইবা হেন্দলুম, হেন্দিক্রাফ্ট অমদি খাদিগী মফম ওইহন্দুনা শেমগৎ-শাগৎপা ঙমদ্রবদি কাওন্সিল অসিনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা ৰাকৎপগী ফিরেপ লৌরগনি হায়রি।

লাক্কদৌরিবা মুসুগী মীহুৎশিংনা মহৈকোলদা মরিং মরাংবা থবক তৌবীগনু: আর এস এফ

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

লাক্কদৌরিবা মুসুগী মীহুৎশিংনা শেংলবা তাইবঙ মহৈকোলদা মরিং-মরাংবা থবকশিং মখা তানা তৌবীগনু হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্টকী পব্লিসিটি সেক্রেটরি চীংলেনসনা খুমননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, শেংলবা তাইবঙ মহৈকোল অমা ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী কেম্পস মনুংদা চহীগী ওইনা পাঙথোকপা এম য়ু ৰীক লোইশিনবগী নুমিত্তা অথেংবা ফাওবা চোংখিবা থাবল অমদি কেম্পস অসিগী মফম কয়াদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক কয়া চাশিন থকচিনবগী থৌওং তৌহন্নিংদে হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ)না ফোঙদোকখিবদা, মহৈকোল অসিগী মহৈরোয়শিংগী মীহুৎশিংনা থল্লকখিবা ৰাফমশিং অদুগী মতাংদা অৱাই অখুম তৌনবগী মথৌ তাদে।

মণিপুরগী য়াম্না লেমজনিংঙাই ওইৰবা অৱাংবা থাক্কী তাইবঙ মহৈকোলদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী মীহুৎ ওইনা লৈরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)বু আর এস এফনা অৱাংবা থাক্তা ইকায় খুম্নবা উৎলি। মুসু হায়বসি অখন্নবা ইন্সটিট্যুসন অমখক্কী চহী অমগী ওইনা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মীহুৎনি। য়ুনিভর্সিটি অসিদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংবু কদায়দা করি শোয়খিগদগে অমদি অৱাৎ অপাশিং য়েংশিন্নবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা খঞ্জবা মীহুৎশিংনি। আর এস এফতি মান্নবা খুন্নাই অমগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা শোত্থরবা লৌমী-শিন্মী অমদি মহৈরোয়শিংগীদমক শাফোঙলকখিবা মহৈরোয়শিংগী লুপ অমনি। লুপ অসিনা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক্কী ইস্যু কয়াদা অমদি মহৈরোয়শিংদা অকনবা মীৎয়েং চঙদুনা শোত্থরবশিংবু য়েংশিন্দুনা লাক্লি।

ঈহৌ কয়াদা আর এস এফনসু অচৌবা থৌদাং কয়া লৌখিবা অমদি আর এস এফকী থৌমীশিংনা য়ুনিভর্সিটি অসিগীদমক থেংনখিবা অৱাবশিং হৌজিক লৈরিবা মুসুনা হঙ্গৎনা য়েংবা মথৌ তাই। লোয়ননা আর এস এফনা হোৎনখিবা অমদি নংখিবা অৱাবশিং অদুদি লৈবাক মীয়াম্না থোইনা হেন্না খঙনদুনা লৈখ্রবনি। মরম অদুনা এম য়ু ৰীক লোইশিনবগী নুমিত্তা কেম্পস মনুংদা থোকখিবা থৌদোক তৌহন্নিংদে হায়না ফোঙদোকপদা থোইনা লান্না লৌফম থোক্তে হায়না খল্লি। মরম অদুনা মখা তানা শেংলবা তাইবঙ মহৈকোল অসিদা অসিগুম্বা মরিং-মরাংবা থৌদোকশিং লাক্কদৌরিবা মুসুগী মীহুৎশিংনা তৌবীগনু। মণিপুরদা লৈরিবা মহৈরোয়শিং অমদি ইন্সটিট্যুসনশিংদা থোক্লিবা থৌদোক ৰাথোক খূদিংমক্তা আর এস এফনা ইকায় খুম্নবগা লোয়ননা য়েংশিনবগী থৌদাংসু লৈ হায়না চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

'মশাগী শক্তম ঙাক্লবা দিমান্দ তানবদা য়েৎফম থোক্তে'

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

ফুরুপ অমনা লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসন্না য়েলহৌ ফুরুপশিংগী তোপ তোপ্পা শক্তম ঙাক্তুনা কঞ্জনবগী পীরিবা রাইট তানবদা লৈমিন্নরিবা অতোপ্পা ফুরুপশিংনা মরম চাদনা য়েৎফম থোক্তে হায়না মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (এম এস এ) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী প্রসিদেন্ট চোংথাম দিপুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মালেমগী হোংলক্লিবা খোঙজেল অসিদা মীতৈ/মৈতৈ ফুরুপ্পু কঞ্জনবা অমসুং তুংগী মীরোলগীদমক ফিদা অমা কলহৌনবা হোৎনবা হায়বসি মীরোল অসিগী তৌফদ্রবা থৌদাংনি। ফুরুপ অসিবু সেদ্যুল্ড ত্রাইবকী লিষ্টতা চলহন্দুনা কন্সটিট্যুসনগী মখাদা ঙাক্লৌ ফংনবা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংদা মীতৈ ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনসু শৌগত্তুনা লাক্লি। মসিদা অতোপ্পা ফুরুপ্পু হন্থনা য়েংবগী অমসুং তুহৎপগী ৰাখল্লোন লৈতে। ঐখোয়সু হিংলি, অতোপ্পসু হিংবিয়ু, পূন্না হিংমিন্নসি হায়বগী মীৎয়েং থল্লি। থওইনা অনেম-অৱাং থাক খায়দনা খায়বুং-খায়বুং তানবা খারিবা পল্লোল অদু লৌথোক্লবা হোৎনবনি হায়রি।

লমদম অসিগী তম্পাক্কী শরুকশিংদসু কন্সটিট্যুসনগী মখাদা প্রোটেক্সন ফংদুনা য়েলহৌ ফুরুপশিং পূন্না ঙাকমিন্ননবা হোৎনবনি। তাল্লিবা পান্দম অসি ইন্দিয়া লৈঙাক্তগীনি। অতোপ্পা লুপ অমদি অতোপ্পা ফুরুপ অমত্তদগী নত্তে। মরম চাই নৎত্রগা চাদে হায়বদু কন্সটিট্যুসননা লেপচসনু। মসি ইন্দিয়াগী কন্টেক্সতা য়েংমিন্নবা অমা চঙই। ইশা-ইশাগী ফিদম ঙাক্না থবক তৌবীয়ু। তৌবতবু মীতৈনা মশা কঞ্জনবা হোৎনবদা মরী লৈনদবশিংনা খুরৌ থাংফম থোক্তে। মণিপুর লৈঙাক্নসু লৌখৎফম থোকপা থবক অথুবদা লৌখৎনবা পূক্লিং চিংশিঞ্জরি হায়রি।

এন ভি এসকী ইমপ্লোয়ীশিংনা পি এমবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

গভর্ণমেন্ট কয়া হৌখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইরিবা নরেন্দ্র মোদি অমদি এদ্যুকেসন য়ুনিয়ন মিনিষ্টরনা নভোদয়া বিদ্যালয়া সমিটি (এন ভি এস) ইমপ্লোয়ীশিংগী ৰাকৎ তবীদুনা খন্থবীরকপসি অনৌবা পুৱারী অমনি। মখা তারকপদসু গভর্ণমেন্ট অসিনা ইমপ্লোয়ীশিংগী ৰাকৎ তাবীদুনা খোঙথাং কয়া লৌখৎপীরক্কনি থাজে হায়না নভোদয়া বিদ্যালয় ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী দেপ্যুটি জেনরেল সেক্রেটরি এস পাওলনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী ঐচ আর দিগী মখাদা লৈরিবা নভোদয়া বিদ্যালয়গী ওজাশিং অমদি ষ্টাফ ইমপ্লোয়শিংবু ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক চৎনরিবা করিগুম্বা পেন্সন স্কিম মখল অমত্তগী পেন্সন ফংহন্দনা ঙসি ফাওবা লৈরক্লিবা অসিগী মতাংদা ইমপ্লোয়ী এসোসিএসনগী মীহুৎশিংগা ঙরাং ইন্দিয়াগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর নিশঙ্ক পোখ্রিয়ালগা উনদুনা ৱারী শানখ্রে।

ৱারী শানবা অদুদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরগী মায়কৈদগী ইমপ্লোয়ীশিংদা সী সী এস পেন্সন স্কিম ১৯৭২ অসি পীবা য়াগদ্রা হায়বদু ফাইনান্স মিনিষ্টরগা খন্নরগে, য়াদ্রগনা এন্যুটি পেন্সন স্কিম (এ পি এস) ওপসন এ পীনবা য়েংশিল্লগনি হায়বগী থাজবা পীরকখি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা নভোদয়াগী ইমপ্লোয়ীশিংবু করিগুম্বা মখল অমত্তগী পেন্সন স্কিম পীদনা চহী কয়া লৈরকখিবা অসিগী মতাংদা নভোদয়া বিদ্যালয় ইমপ্লোয়ীজ ৱেলফ্যের এসোসিএসন অসিনা ইন্দিয়াগী ষ্টেটশিংদা লৈরিবা ষ্টেট পূম্নমক্কী এম পিশিংদা অইবা চেরোল কয়া পীশিনবা অমদি প্রাইম মিনিষ্টরগী পূক্লিং চিংশিন্দুনা লাকখিবনি হায়রি।

'মীয়ামগী খন্দবা কেন্দিদেট লৈবনা লমদম অসি শোত্থরে'

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

ইম্ফালভোট লেপ্পদি য়াম্না থৌনা ফবা অদুগা প্রজাগী ওইনদি খনবীবা ৰাৎপা মীওই কয়ানা লমদম অসিদা লৈবনা মায়কৈ অসোম্না য়াম্না শোত্থবা ফিভমদা লৈরিবনি হায়না কুম্বীদগী সাইতোনদা ওটো সর্ভিস তৌবা ওটো দ্রাইভর অমনা ঙসি সাইতোন এরিয়া হিল এন্দ ভেল্লি জোইন্ট এক্সন কম্মিটি সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্টনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা য়েংশিন-খোঙচৎ অমগা মরী লৈননা ফোঙদোকখ্রে।



মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা কুম্বী কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লাইসন্দং মনিংদগী লাকপা লম্বী অসি হায়নিংঙাই লৈতনা ফৎত্রে, মসিদা ওটো সর্ভিস তৌরিবা ইচিল-ইনাও খুদোংথিবা কয়া মায়োক্নরে। গাড়ী অনী থৈনবদা তোংলিবা পেসেঞ্জরশিং তাগদ্রা হায়না চিংনবা পোকই। মায়কৈ অসোম্না অসুক য়াম্না লম্বী থোংগীমতাংদা শোত্থবা ফিভমদা লৈরিবা অসি কনা অমত্তনা য়েংশিনবীদে। মীটিং কয়া তৌই, লীদর কয়াসু লাকই, পাউতাক কয়া পীবি, অদুবু লমদম অসিদা লৈরিবা ফত্তবা লম্বী অসিগী মতাংদদি য়েংশিনবীদুনা মীটিংগী মফমদা করিগুম্বা ৰারোল অমত্তা ফোঙদোকপীরম্বা লৈতে। মসি য়াম্না লাইবক থীবনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা শরুক য়াখিবা সাইতোন এরিয়া হিল এন্দ ভেল্লি জোসন্ট এক্সন কম্মিটি সোসিএল রিফোর্মেসন এন্দ দিভলপমেন্টকী মীহুৎ অমা ওইরিবা লাইময়ুম মনিমোহন শর্ম্মনা হায়খিবদা এস বিরা দিসক্কালিফায় তৌরবা মতুং কুম্বী কেন্দ্র অসি মপী-মপা লৈত্রবা কেন্দ্র অমা ওইবরনি। মসি খঙনা খঙনা কেন্দ্র অসিবু কনানসু য়েংশিনবীদে। ঙসি লম্বী থোংগী ফিভম অসুক খুদোংথিরবা ফাওবা কনামত্তা করিমত্তা হায়বীদে।

ফৌজাখাই ইখাই টু সাইতোন, সাইতোন টু কুম্বী, লিসানথোং ফাওরিবা লম্বীগী ফিভম অসি ময়ামসু অমুক্তা য়েংবীয়ু। চৎলিবা থা অসিগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না হীরম অসিগা মরী লৈননা করি তৌবীরকপা য়েংগনি, তৌবীরক্তবদি জোইন্ট এক্সন কম্মিটিনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিং, ওটো দ্রাইভর কয়া অমদি মৈরাশিংসু শরুক য়াখি।

ইপসানা মণিপুর লৈঙাকপু তৌবীমল খঙবা উৎলক্লি

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

কুমজা ২০০১ অমদি ২০১১গী পোপ্যুলেসন সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়দুনা তক্লদুনা লাকখিবগী মহৈ ওইনা চহী অসিগী মার্চ ৩দা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিস (লেজিসলেটিভ দিপার্টমেন্ট)কী নোটিফিকেসন অমনা কুমজা ২০২০গী মার্চ ৬কী ওর্দর মোদিফিকেসন তৌখিবা অদু ইন্টরনেসনল পীছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)না অপেনবা ফাওই। লোয়ননা মণিপুর লৈঙাকপু তৌবীমল খঙবা উৎচরি হায়না ইপসাগী আই পি আর সেক্রেটরি এস তোম্বীসনানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা, মণিপুরদা কুমজা ২০০১গী পোপ্যুলেসন সেন্সসতা য়ূম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগদৌরে হায়বা পাউ অসি হেক ফংবগা খূদক্তা ইপসানা ওল পোলিটিকেল পার্টিশিং উনদুনা দিলিমিটেসন তৌদনবা তকশিনবা হৌরকখি অমদি মরী লৈনবশিং উনদুনা তকশিনখি। মতুং তারকপদা ৰায়েল শঙদা চথনবা ইপসানা পোলিটিকেল পার্টিশিংদা তক্লদুনা কন্টেম্প কেস থাহনখি। মসিদা নত্তনা ইপসানা লুচিংদুনা কে এস এ, ইপাক, পান্দম অমদি অকোম লুপকা লোয়ননা পি আই এল থাখি। মসিগা মরী লৈননা মণিপুর লৈঙাক্তসু মেমোরেন্দম পীদুনা থীগৎহন্নবা তকশিন্দুনা লাকখি। মীয়াম্বু লুচিংলিবশিংনা মতম পূম্বদা মীৎ-না শীংনা লৈরিবমখৈদি মীয়াম্না পূক্লিং লৈতানা হিংবা ঙমগনি হায়রি।

ইপসানা দিলিমিটেসন তৌবদা অথিংবা লৈতে, তৌবতবু য়ূম্ফম য়াওদবা সেন্সস রিপোর্টকী মতুং ইন্না দিলিমিটেসন তৌবদি য়ারোই। মরম অদুনা হন্দক তৌগদৌরিবা ২০২১গী মীকোক থিবদা অধার লিঙ্ক তৌবগা লোয়ননা জিওটেক তৌরগা লমদম অসিদা ঈৱাং থোক্তনবা শীনবিবগা লোয়ননা দিলিমিটেসন তৌবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারক্লি।

অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী কনভেনর অমদি ভেটরান পোলিটিকেল এক্টিভিষ্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রগী লোয়নবী খোইবম সিলা (নাওবী) হৌজিক হৌজিক অরুবা লায়না কেন্সরনা নাদুনা লৈরি। মরম অদুনা মীয়াম্না অৱাবা তারবা ইমুং অসিদা অঙম অঙম্বা তেংবাং পীবিয়ু হায়না য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট মণিপুরগী চ্যেরমেন সাপম শামুঙৌনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

'লৈঙাক অসিনা মাইনোরিটি কম্যুনিটিগী রাইট খোঙ্গাওনরে'

ইম্ফাল, মার্চ ১০ (ঐচএনএস):

হৌজিক হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী রাইট খোঙ্গাওনরে হায়না মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) হেদক্বার্টরগী সেক্রেটরি জেনরেল খূথৈবম ৰাদিয়া হাসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মাইনোরিটি এফেয়র্স দিপার্টমেন্টনা মাইনোরিটিশিংগী ৱেলফ্যেরগীদমক পায়খৎপা য়াবা দিভলপমেন্ট ৱর্কশিং পায়খৎতবা, মতমগা চুনবা স্কিমশিং হৌদোক্তুনা শোত্থরবা মাইনোরিটি কম্যুনিটিশিংগী সোসল এন্দ ইকনোমিকেল ষ্টেটস ফগৎহন্নবা থবক পায়খৎপদা নেগলেক্ট তৌবা অসিনা তাকপদি পাল্লিবা বি জে পি লীদ গভর্ণমেন্ট অসিনা মাইনোরিটি কম্যুনিটি মীতৈ-পাঙলশিংবু নমথনবা হোৎনরে হায়বসি ময়েক শেংলে হায়রি।

মমাঙগী লৈঙাকশিংনা মাইনোরিটি কম্যুনিটিদা ইকনোমিক দিভলপমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পীরম্বা বিনিফিটশিং অদুমক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনসু মীৎয়েং চঙদুনা অথুবা মতমদা পীনবা হোৎনবীয়ু। ঙসিগী লৈঙাক অসিনা মাইনোরিটিশিংগী ফংফম থোকপা রাইটশিং খোঙ্গাওনবীবা তারবদি মণিপুর মুসলিম ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও)না তূমীন্না য়েংদুনা লৈরোই। মীয়ামগী অপূনবা ঈহৌ অমগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং কয়া ওর্গনাইজেসন অসিনা চঙশিল্লগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

[illegible]
SOCIAL SECURITY GUARD (SSG)
UNDER INSTITUTE OF SOCIAL WORKERS
Uripok Laikhurembi, Over Bridge Makhong, Imphal West-01
Regd. 228/M/SR/1991

Sl.No.	Name of Post	No. of Post	Qualification	Salary
1	Security Supervisor	05	Ex-Serviceman	9k-21k
2	Security Guard	35	VIII & above	7.5k-18k
3	Gunman/ Arm Guard	10	VIII & above	10k-25k
4	Helper (Female) (Hold/Up-Down)	40	Nil	7k-21k
5	Cook/Chowkidar	10	VIII & above	7.3k-16k
6	Driver/Warden	10	Nil	7.8k-21k

Form available at office hour : 10:00 am to 3.00 pm (Monday, Wednesday, Friday & Saturday Open)
7629835413 / 9612445120
First come First serve

Sd/- MD
Social Security Guard (SSG)
Uripok Laikhurembi

HL-P/9268/11

[illegible]
R.M. SCHOOL
A State of the Art Education
Kwakeithel Heinoukhongnembi, Imphal West District, Manipur–795001

WANTED TEACHERS

Applications are invited from the young, dynamic, qualified and experienced teacher for the following subjects/posts.

Qualification: Graduate or above, preference will be given to the experienced teacher

1. Maths for class IX & X.
2. History for class VI to VIII.
3. Geography for class VI to VIII.
4. Physics for class VII to IX.
5. Meitei Mayek for class VIII to X.
6. Comp. Sc, for class V to VII.
7. English for class V & VI

Salary: Negotiable

WANTED WARDEN : MALE & FEMALE
SALARY : 12000/- TO 15000/-

NOTE : Candidate may apply alongwith their CV during school hours (9:30 am to 2:00 pm).

HL-P/9260/11,14,16

ADVANCED COACHING INSTITUTE
FOUNDATION COURSE FOR VI TO XII 2021
OUR POSITION HOLDERS IN HSLC, CBSE AND COHSEM EXAM
COUNT IF YOU CAN ....
ARTS
SCIENCE
3RD Post '20 PH. FIROJH.
7TH Post '20 TH. OBINKUMAR
8th Post.'20 N. PARITON
8th Post.'20 N. PARIHAN
10th Post.'20 S. SANATHOI
5th Post '19 SHARMELI
5TH Post '19 H. BERON
8th Post. '19 LINTHOINGAMBI
10th Post. '19 L. BRINDASHI
19TH Post '20 ELIA NEPRAM
19TH Post'20 R.K. NEVITA
2th Post'19 ASEM SOPHIA
7th Post'19 W. NINGTHEM
4TH Post '19 ROBINSON
6TH Post '19 SHAH MINHAZ
8th Post.'19 ANJU ANAND
9th Post.'19 THOUNGAMBA
16th Post.'19 SANANANDA
7th Post'19 W. SANAMATUM
8TH Post'19 U. ADHITYA
15th Post.'19 REHAN YUMNAM
22th Post.'19 R OSHAN KH.
23th Post'19 RICKY KHAIDEM
23TH Post'19 SORBAM DIANA
24th Post.'19 L. AMJINGBA
S. NEHA CBSE—95%
MANY MORE TOP-PRS

RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
QUESTIONS ANALYSIS BASE ON PREVIOUS YEARS QUESTIONS OF HSLC, CBSE & COHSEM
TO SCORE HIGH MARK AND EASY TO EXAM PATTERN SYSTEM
TIME (MORNING) 04.30 — 7.50 A.M. & (EVENING) 04.30 — 7.50 P.M.
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS & GIRLS'
★ SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVT. SCHOOL & 90% ABOVE IN X EXAM.
SPECIAL REVISION COURSE FOR 2021
FOR QUARY : 9862992105
CLASS XII (SC. ARTS & COMMERCE) CBSE & COHSEM — 22nd & 25th FEB.
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 22nd & 25th FEB.
CLASS XII (SCIENCE) CBSE & COHSEM — 4th & 8th MARCH
CLASS X (CBSE & BOSEM) & XI (SCIENCE) — 4th & 8Th MARCH
★ HALF FEE ON REVISION COURSE OF EX– ACIAN STUDENTS.
★ VAN SERVICE BOTH MORNING AND EVENING
★ FREE FOR RANK STUDENTS IN HSLC EXAM 2021
★ SEATS ARE LIITED FIRST COME FIRST SERVE
FOUNDATION COURSE FOR CLASS 6 TO 9 IS GOING ON
LOG ON : fb / youtube / google - advanced coaching institute
NAGAMAPAL LAMABAM LEIKAI BRANCH & KWAKEITHEL AKHAM LEIKAI BRANCH

HL-B/6807/23/2-25/3

FARMER'S CLUB AWANG SEKMAI
Awang Sekmai, Imphal West.

[illegible] / NOTICE
Date : 10/03/2021

Farmer's Club Awang Sekmai না চহী খূদিংগী মেম্বর লৌশিনবগুম ২০২১ চহীগী ওইনা লাক্লিবা তাং ১৭/০৩/২০২১ ফাওবগী মনুংদা মেম্বর ওইবীনিংবা অৱাং সেকমাইদা য়ূম ইঙ্খোল লৈবা অমদি ভোটর চনবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা ফোন নম্বর অসিদা অকুপ্পা মরোল খঙবীবা য়াগনি।

Wahengbam Ojit Singh, Phone no. +91 8974338306
Khwairakpam Tikendra Singh, Phone no. +91 8119848247

HL-P/9270/11
খঙহঞ্জরিবা : Farmer's Club Awang Sekmai

ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ / লান্ন-থৌরম

ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিল্লম্বা, লৈখিদ্রবা 8th Bn. Manipur Rifles, Rfn. 0797052 চুংখাম ইবুংঙোচৌবা মৈতৈ-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরূপ-মপাং খ্বাই পূম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ৮/৩/২০২১ ইং ফাইরেনগী ২৫নি পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং-লৈনম ওইনা তিনখ্রে। চৎলিবা চৈচৎ ১২/৩/২০২১ ইং, ফাইরেনগী ২৭নি পানবা ইরাই নুমীৎতা মঙানি লৈহুন তমজরগা, চৎলিবা চৈচৎ ১৮/৩/২০২১ ইং, লমতাগী ৫নি পানবা শগোলশেন নুমীৎতা লান্ন-থৌরম থোক্লে। মরম অদুনা লৈখিদ্রবা অসিগা তিন্নরম্বা অনকপা অমদি অরাপ্পদা লৈবা মরূপ-মপাংশিংনা মতম চানা খোঙদোইবীরক্তুনা মপূগী মিষ্টো তাবীরনবা পাউজেঞ্জরি।

অয়ূক্কী পুং ৮.০০ ইরাৎ থৌরম হৌবা
অয়ূক্কী পুং ১১.০০ চাকলেন ফংবা

পুনেমজরিবশিং :
১। চুংখাম ওংবী মেম্মা লৈমা (অপোকপী)
২। চুংখাম ওংবী তোম্বীমচা লৈমা (লোয়নবী)

HL-P/9128/11
ময়াং ইম্ফাল চবুং কম্পেনি ময়াই লৈকাই।

[illegible]/ওনেরেবল চীফ মিনিষ্টরনা প্রসিদেন্ট ওইরকপদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি

লাইনিংথৌ সনামহী অমদি ইমা-লৈমরেল শিদবী অনীগী ইরাৎ থৌনি থৌরম পাঙথোক্লিবা হয়িং খোংবান উফোং য়ুম্ফমদা লৈবা খুভমবু মপুং-মরৈ ফানা মণিপুরগী য়েলহৌ ফুরুপকী লাইনিং অমা ওইনা মশক নাইনা শেমগৎ শাগৎপা অমদি মীয়াম্না খুরম্নবা ফংজরিবা লাইশঙ অমা ওইনা হৌখ্রবা মণিপুর লৈবাক্কী মতম অমগী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা য়াংমাসো সৈজানা লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ শেম্বীরমখি। মণিপুর লৈঙাক্কী মহুদ দিপার্টমেন্টনা থম্বীখিবা সনামহী টেম্পল বোর্দকী মেম্বর থৌপুরোইশিংগী ওইনা ঈকায়খুম্নজ রিবা মণিপুরগী ওনেরেবল চীফ মিনিষ্টর শ্রী নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা প্রসিদেন্ট ওইরকপদা কৈথেল্লাকপম শাগৈ অপূন-লূপ ট্রষ্ট (KEISAL) না তরাম্না ওকচবগা লোয়ননা থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লাইনিং-লাইশোলগী শরুক্তা চীংমী-তম্মী অনীগী মরিবু হেন্না চেৎশিন্নহন্দুনা নুংশি-চান্নরা অমদি চীং-তম অনীদা চাউখৎমিন্নবা মান্নবা থাক্কী অওনবা পুরক্তুনা থবক থৌরম কয়াদা মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙম্নবগী থৌজাল লাইনিংথৌ সনামহী ইমা লৈমরেল অনীনা থৌজাল পীনবীবা ওইরসনু হায়নসু থৌনিজরি।

থাগৎচরিবা : কৈথেল্লাকপম রঘু মঙাং, প্রসিদেন্ট
কৈথেল্লাকপম শাগৈ অপূন-লূপ ট্রষ্ট (KEISAL)

HL-P/9261/11
ময়াই লোইশঙ ক্বাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, ইম্ফাল ৱেষ্ট

[illegible] / ORIGINAL ADMIT CARD LOST

I have lost my Original Admit Card of Class 11 Examination of 2019, bearing roll no. 7774 issued by COHSEM, on the way between Moirang Bazar to Okshongbung on 7th March 2021. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- Dayarani Nambam
HL-P/9262/11
Moirang Turenban Leikai, # 7629932819

ꯏꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

তঙাইফদবা অমগীদমক অথুবগী ওইনা ইঙ্খোল অমা য়োঞ্জরি। পাক চাওবা 63 ft. পাকপা 129 ft. শাংবা শেঙ্গাউগী শেপনি। কোইলা রোদকসু নক্লরবা লম্বী লমদাং য়াম্না নুংঙাইবা মফমনি। তেরা বজারগা য়াম্না লাপ্পদ্রে।

Please Contact :
HL-P/9256/10,11,12
6009021717 / 8787426236

ꯏꯈꯣꯜ ꯌꯣꯟꯖꯔꯤ / ইঙ্খোল য়োঞ্জরি

National Highway main road কা নক্লনা লৈরবা কোইলা রোদকা হেক তাইনবা পোইন্ট ১০ চাওবা রেক্টেঙ্গল শেপ ওইবা ইঙ্খোল অমা অথুবগী ওইনা য়োঞ্জরি। পাম্বীবা মীওইশিংনা মখাদা পীজরিবা মোবাইল নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকপা য়াগনি।

Please Contact :
HL-P/9256/10,11,12
8794666382 / 8787426236

ꯊꯕꯛ / EMPLOYMENT NEWS / থবক্কী পাউ

1) 2 Female Warden Cum Teachers - Graduate/PG. (**Salary**- Negotiable)
2) One teacher each for Geography and Home Science, *Qual.* Graduate/PG (**Salary** - Negotiable)
3) 2 Boarding Bus drivers, One light vehicle driver and 2 boarding cooks (Rs. 7000 - Rs. 10,000)
4) 2 Boarding mothers cum cook (Rs. 6000-Rs. 9000)

HL-P/9265/11
Contact : 8787752537 / 9615206584

ꯊꯕꯛꯀꯤ ꯄꯥꯎ / EMPLOYMENT NEWS

Imphal amasung Manipurgi major districtsinggi oigadaba tongan-tonganba official postkidamak candidate 81 (Male-47/Female-34) gidamak thabakki darkhas koujari.

Age : Below 30 yrs.
Qualification : X, XII amasung Graduate
Income : 10,000/- to 35,000/- (P.M)
Facilities : Fooding + Lodging Available
Visiting hrs : 12 noon to 3.00 pm.

Thabak ashi lairik tamliba meoisingnasu toubiba yagani.

"No Deposit Required"

Apply toubiningba meoisingna eshagi biodataga loinana athuba matamda lakpiyu.

HL-P/9077/2,7,9,11
Contact : 9774986962, 8837369704